# নেরোকা এফ সি শাঙকম্ফমনা তরুকরকশুবা ওইনা সি সি মিটকী মপু ওইখ্রে
# সুভাসনা নুপাগী অমদি বলানা নুপীগী ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়ার তাখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১০ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক ফুটবোল তর্ফতা টিম ৩১ না শরুক য়াদুনা চত্থরকলিবা ৬১শুবা সার চুরচান্দ সিংহ, কেসিএসআই, সিভিই মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ গী চেম্পিয়ন নেরোকা এফ সি শাঙকম্ফম ইম্ফাল ইষ্টনা ওইখ্রে

নোর্থ ইষ্টকী খ্বাইদগী আরিবা টুর্নামেন্ট সি সি মিট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা নেরোকা এফ সি শাঙকম্ফম ইম্ফাল ইষ্টনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ,শগোলবন্দ ইম্ফাল ৱেষ্টবু য়াম লাকচন্না গোল ৭-০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা নেরোকা ফুটবোল ক্লবনা টুর্নামেন্ট অসিগী হৌখিবা ইং কুমজা ২০০০,২০১১, ২০১২,২০১৫,২০১৬ দা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মতুং হন্দক্কী ২০১৮ অসিগা থারগা ক্লব অসিনা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অসিগী পুন্না ৬ শুবা ওইনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা নেরোকানা গোল ৪ চনখি। অদুগা অনীশুবা হাল্ফতনা গোল ৩ চন্দুনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু লাকশিন্দুনা শান্ননখি।

মেটচ অসিগী গোলশিং অদু নেরোকাগী ষ্টার প্লেয়র ওইরিবা ভুটান মচা চেনচোনা মিনট ১২,৩৯,৫৩ অমদি ৭২ দা গোল মরি চনখি। অতোপ্পা গোল অহুম অদুনা অষ্ট্রেলিয়ান মচা অরয়ান গ্লেন ৱিলিয়মনা মিনট ২০,৪২ অমদি মেটচকী অহাপ্পা মিনট ৩ দা চনখি।

ভাবক লিশিং ১০ রোম্না য়েংখিবা ফাইনেল মেটচ অসি হৌরকপদগী হৌনা নেরোকানা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু লাকশিন্না শান্দুনা দিফেন্স খক্তাদা মথৌ তৌহনখি।

মেটচগী হৌরকপা মিনট ৪ চৎপদা সুভাসনা তৌশিনখিবা গোল এটেম অদু শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী গোল কিপ্পরনা ঙাকথোকখিবদগী গোল মাঙজিল থাবা য়াবা তঞ্জা অদু অরেম্বা তাখি।

নেরোকাগী জর্সি নম্বর ৮ তোনদোম্বনা খাইরকপা বোলদা চেনচোনা নিংথিনা শমজিন্দুনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী মিনট ১৫ চৎপদা নেরোকাগী দেন্নিচন্দ্রানা শোইবদগী শগোলবন্দ য়ুনাইটেদগী ইলমিনহাও কিলোংনা মুনল্লগা বোক্স তম্না পুশিন্দুনা কাওশিনখিবা গোল এটেম অদু সাইদ নেটদা চৎখিদুনা গোল হনে দাকপা ঙমখিদে।

নেরোকাগী অনীশুবা গোল অদু সুভাসনা ওই থংবা ৱিংদগী খাইরকপা অনেম্বা ক্রোশিংদা ৱিলিয়মনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী মার্কিংদগী নাম্থোল্লগা বোল অদু অহাঙবা নেট মনুংদা চঙহন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

নেরোকাগী মিল্ড ফ্লিদরশিং অমদি ফোৱাদ শান্নরোইশিংনা মশক থোকপা প্রাফোমেন্স পীদুনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা অদুমক প্রেসর পীশিনখি।

মেটচকী মিনট ৩৯ চৎপদা চেনচোনা মহাক্কীনা অনীশুবা অমদি টিমগীনা অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৩-০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ৪২ চৎপদা সুভাসনা দিফেন্দর লাল্লগা খাইরকপা বোলদা ৱিলিয়মনা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিমগীনা মরিশুবা গোল ওইনা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৪-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৫৩ চৎপদা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদগী অনন্দকুমারনা শোইবদগী নেরোকাগী রোনালনা মুনল্লগা চেনচোদা খাইদোকখিবা বোল অদু ভুটান মচা অসিনা বোল অদু থেংথাবা তৌদনা নেট মনুংদা চঙহনলগা টিমগী মঙাশুবা গোল অদু চনখি।

মেটচ অসিদা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদগী মিল্ড ফিল শান্নরোইশিংনা মশক থোকপা প্রাফোমেন্স পীরক্তবগী অহোবদু টিম অসিগী দিফেন্দরশিংনা মেন্সিন্নবা হোৎন্নরিঙৈগী তঞ্জাশিং দা নেরোকাগী এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইশিংনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী দিফেন্স এরিয়াশিংগী অহোবা অদু উদুনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্নরকখি।

মেটচকী মিনট ৭২ চৎপদা চেনচোনা মহাক্কী টিমগী তরুকশুবা গোল অদু চন্দুনা ৬-০ দা মাঙজিল থাখি। অদুগা টিম অসিগী তরেৎশুবা গোল অদু অহাপ্পা মিনট ৩ দা ৱিলিয়মনা চন্দুনা মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোনখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা নেরোকা এফ সিগী টিমদা লুপা লাক্ষ ৫ গা লেয়ননা ট্রোফি থৌরমগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা হুইদ্রোম বিক্রম সিংহনা খুৎশিন্নখি।

রন্নস অপ তাখ্রবা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ তা লুপা লাক্ষ ২.৫০ গা লোয়ননা ট্রোফি থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা এস সনাতোম্বা সিংহনা খুৎশিন্নখি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন ইম্ফালনা চহি খুদিংগী টুনামেন্ট অসিগী অরোইবা নুমিৎত্তা পীবা নুপাগী ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রনা নেরোকাগী শিঙম সুভাসনা তাদুনা লুপা লিশিং ১৫ গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি নুপীগী ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়ারনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবগী এন জি বলানা লুপা লিশিং ১০ গা লোয়ননা ট্রোফি ফংখি।

টুর্নামেন্টগী ফিয়ার প্লে ট্রোফিনা রাওনা তাদুনা লুপা লিশিং ১০ গা লেয়ননা ট্রোফি ফংখি। বেষ্ট গোল কিপ্পরনা নেরোকাগী এল বিশ্বোরজিৎনা তাদুনা লুপা লিশিং ৫ গা লোয়ননা ট্রোফি ফংখি।

বেষ্ট প্লেয়রনা নেরোকাগী শিঙম সুভাসনা তাদুনা লুপা লিশিং ৫ গা লোয়ননা ট্রোফি,টোপ স্কোলরনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদগী এল সনাতোম্বা অমদি ট্রাউ এফ সিগী প্রিন্সৱিল ইমেকাগা পুন্না তামিন্দুনা লুপা লিশিং ৫ গা লোয়ননা ট্রোফি ফংখি।

মেন ওফ দি ফাইনেল মেটচনা নেরোকাগী আরয়ান গ্রেন ৱিলিয়মনা তদুনা লুপা লিশিং ৫ গা লেয়ননা ট্রোফি ফংখি।

নুপাগী কোচ ওফ দি ইয়ার ফোর ২০১৭-১৮গীনা এন সিবান্দা সিংহ,এ এফ সি 'বি' লাইন্সেননা তদুনা লুপা লিশিং ১০ গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি নুপীগী কোচ ওফ দি ইয়ার ফোর ২০১৭-১৮ না এল চাওবা দেবী,এ এফ সি 'এ' লাইন্সেননা তদুনা লুপা লিশিং ৫ গা লোয়ননা ট্রোফি ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিফেন্দরনা নেরেকা এফ সিগী মোহমদ অব্দুল সলামনা তাদুনা লুপা লিশিং ৫ গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি বেষ্ট মিল্ড ফিদর ওফ দি ফাইনেল মেটচ রন্নিং ট্রোফিনা নেরোকাগী এন তোন্দোনবনা তাদুনা লুপা লিশিং ১০ গা লেয়ননা ট্রোফি ফংখি।

কোচ ওফ দি চেম্পিয়ন টিমনা নেরোকাগী কোচ দব্লিউ শ্যামজাই মৈতৈনা তাদুনা লুপা লিশিং ৫ গা লোয়ননা ট্রোফি ফংখি।

বেষ্ট ষ্ট্রাইকর ওফ দি ফাইনেল মেটচনা নেরোকাগী চেনচোনা তাদুনা লুপা লিশিং ১৫ গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি বেষ্ট য়ং প্লেয়র ট্রোফিনা ট্রাউগী এন জি নাওচা সিংহনা তাদুনা লুপা লিশিং ১০ গা লোয়ননা ট্রোফি ফংখি।

বেষ্ট রেফ্রিনা এল প্রিয়োবত্তা সিংহ,নেসনেল রেফ্রিনা তাদুনা লুপা লিশিং ৫ অমদি বেষ্ট এষ্টিদেন্ট রেফ্রিনা রিনকাহাও ভাসুম,ফিফা এষ্টিদেন্ট রেফ্রিনা তাদুনা লুপা লিশিং ৫ গা লোয়ননা ট্রোফি ফংখি।।

মেনেজর ওফ দি চেম্পিয়ন টিমনা নেরোকা এফ সিগী মেনেজর কে কাশি সিংহনা তাদুনা লুপা লিশিং ৫ গা লোয়ননা ট্রোফি ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা ঐচ ভি এস কন্ট্রকসন মেট্রারিয়েল প্রাইবেদ লিমিটেদকী প্রোাইটর হুইদ্রোম বিক্রম সিংহ,নহারোল থৌদাংগী ইডিটর কে ঐচ লোয়ালাকপা,অরুন ইন্টরপ্রাইজেসগী প্রোপাইটর টি ঐচ অরুনকুমার সিংহ,পি ঐচ ই দিগী এ ও অব্দুল হাকিম,সোসিয়েল ৱাকর অঞ্জু অয়েকপম অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস সনাতোম্বনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট,গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াদুনা মনা মথুম য়েন্থোকখি।



নুপাগী ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়ার সুভাস



৬১ শুবা সি সি মিটকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নেরোকা এফ সি শাঙকম্ফম ইম্ফাল ৱেষ্ট



নুপীগী ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়ার বলা

## তরামথোইশুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৯ হৌখ্রে
## এস এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১০ঃ
ওল মণিপুর এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা এন ঐচ পি সি লিমিটেদ লোক্তাক পৱার ষ্টেসন মণিপুরনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসন ( অমোফা)মোইরাংনা শিন্দুনা ঙসিদগী টিম ৬ না গ্রুপ-২ থোক্লা খাইদোক্তুনা মোইরাং মল্টিপ্রপস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দা ১১ শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা অমোফা মোইরাংগী প্রসিদন্ট পি শরটচন্দ্রা সিংহ,লোক্তাক পৱার ষ্টেসন মণিপুরগী জেনরেল মেনেজর ( মেদিকেল সর্বিস) ডাঃ এল পি সিংহ অমদি লোক্তাক পৱার ষ্টেসন মণিপুরগী সেনিয়র মেনেজর (ঐচ আর)না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট,প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইদুনা শরুক য়াখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমীৎত্তা শান্নখিবা গ্রুপ-এগী মেটচতা সাউদন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) না ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসন (অমোফা)বু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা এস এস য়ুনা বোল হেন্না পায়রগা অমোফাগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক চত্থদুনা প্রেসর পীশিনখি।

মদুগী মৈহে ফংদুনা অহানবা হাল্ফকী লোয়রমদাই মিনট ৪০ দা এস এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১০ এল রোসননা গোল একাউন্ট হাঙদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোত্থরিবা অমোফানা গোল হনে দাক্লবা হোৎন্নরবসু টিম অসিগী শান্নরোইশিংনা গোল ওন্থোকপা ঙমদবদগী এস এস য়ুগী রোসননা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অসিনা অমোফাবু মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা অমোফাগী জর্সি নম্বর ৮ কে ন্যুটোন,জর্সি নম্বর ১৫ ঐচ জোন্সন অমদি এস এস য়ুগী জর্সি নম্বর ২ কবিরাজদা রেফ্রিনা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি টি ঐচ অরুনকুমার,টি ঐচ কিরনজিৎ,এস ঐচ সুরেস অমদি পি ঐচ লনথোইবনা মথংশিংনা সেন্টর রেফ্রি,এষ্টিদেন্ট রেফ্রি ১,এষ্টিদেন্ট রেফ্রি ২ অমদি ফোদ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামন্ট অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১২ দা নেরোকা অমদি কে পি এফ সিনা গ্রুপ-বি গী মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ২ দা শান্নগনি।



## কে কে এ দি সি ভোল্লিবোল

ইম্ফাল,এপ্রিল ১০ঃ
ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা খেলাখোং খোং অহনবী দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন খেলাখোংনা শিন্দুনা ঙসিদগী টিম ৬ না গ্রুপ-২ থোক্লা খাইদোক্তুনা খেলাখোং মমাং লৈকাইদা অনীশুবা ভিলেজ ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেলদা এস ৱাই দি সি অমদি ঐচ ভি এগা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এস ৱাই দি সিনা য়ু সি এলবু সেট ৩-১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা এস ৱাই দি সিনা পোইন্ট ২৫-১৮,২১-২৫,২৫-২৩,২৫-১৬ স্কোর তৌদুনা ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা ঐচ ভি এনা য়ু এস দব্লিউ সিবু সেট ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা ঐচ ৱাই ভি এনা পোইন্ট ২৫-১০,২৫-২১,২৫-২১ স্কোর তৌদুনা ফাইনেল চঙখি।

ঙসি অয়ুক শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচতা ঐচ ভি এনা আর ই দি ওবু সেট ৩-২ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা আর ই দি ওনা ২০-২৫,২৫-১৭,২১-২৫,২৫-১৭,১৫-১৩ স্কোর তৌখি।

## তরেৎশুবা পি ৱাই সি ফৌদেন কপ ২০১৯
## পি ৱাই সি (এ) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১০ঃ
ফৌদেন য়ুঠ ক্লব (পি ৱাই সি) ফৌদেননা শিন্দুনা থা অসিগী ৭ দগী ফৌদেন কাংজেবুংদা টিম ১২ না গ্রুপ-৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরকপা ৭ শুবা ষ্টেট লেভেল পি ৱাই সি ৭ এ-সাইদ ফৌদেন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি ৱাই সি (এ) ফৌদেননা বি এস য়ু কৈরাওবু গোল ৪-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা পি ৱাই সি (এ) ফৌদেনগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফ্তা জর্সি নম্বর ১০ চাউবনা মিনট ১৩,জর্সি নম্বর ৭ ইমরাননা মিনট ৩০ অমদি জর্সি নম্বর ১১ সাহিদুরনা মিনট ২৩ দা চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা অতোপ্পা গোল অমাদুনা জর্সি নম্বর ৫ ওকেননা মিনট ৩২ দা চনখি।

মায়থিরবা বি এস য়ু কৈরাওগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৯ খোমৈনা মিনট ২১ অমদি অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৪৪ দা খোমৈনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চনখ্রবসু মেটচ অসি মায়থিবা নংখি।

মনিপুর ক্যাব সর্ভিসেস
অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা,
লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা
Manipur Cab Services
হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...
খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্ত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোংদুনা চৎপিয়ু
₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Toll Free Number
1800-345-3838
GET IT ON Google Play
অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
SL / 1200 / 30days

## অহুমশুবা ৱাই দি সি ফুটবোল ২০১৯
## থোইবা এফ সিনা ৭ ষ্টারবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১০ঃ
য়ুঠ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (ৱাই দি সি)য়াইরিপোক খোইরোম্না শিন্দুনা য়াইরিপোক খোইরোম কাঙজেবুংদা টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা মমাঙ থাগী ১৮ দগী চত্থরকপা ৩শুবা ৱাই দি সি ট্রোফি ৭ এ-সাইদ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-ঐচ গী মেটচতা থোইবা এফ সিনা ৭ ষ্টারবু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী হৌরকপা মিনট ৪ চৎপদা থোইবা এফ সিগী জর্সি নম্বর ৯ গোপিনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

মিনট ৬ কান্নরগা মিনট ১০ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ গোপিনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চনদুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

শোত্থরিবা গোল অদু ৭ ষ্টারনা মিনট মরিগী মতুং মিনট ১৪ দা জর্সি নম্বর ১০ তোম্বনা হন্দোক্তুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা থোইবা এফ সিনা গোল ২-১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা থোইবা এফ সিনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্নরকখিবগী মৈহে ফংদুনা মিনট ২৯ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৮ জাসিরনা অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৩-১ দা লৈখি।

টিম অসিগী মরিশুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৪ রাকিপনা মিনট ৩৫ চৎপদা চন্দুনা মেটচ অসি ৪-১ দা থোইবা এপ সিনা মায় পাকখি।

হয়েং অহানবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা খোয়রোম এফ সি অমদি সি ৱাই দি ওগা শান্নগনি। অনীশুবাদনা চরাংপাৎ এফ সি অমদি তোপ এফ সিগা শান্নগনি।

HURRY COME & JOIN
Simplicity for Life
HURRY COME & JOIN
START NEW BUSINESS
Call for Registration
Idea Dream Project for Everyone
Be Your Own Boss
Pre-Launch in Manipur
Plz. Call Anytime Meiteisana 8286623423
SL/ P

APOLLO TUTORIAL CENTRE
Admission Open For
FOUNDATION COURSE - XII Sc. (COHSEM & CBSE)
CLASS XII- ENGLISH TUTION ( COHSEM) MORNING ( SUN & HOLIDAY)
Facilities
Hostel Seats For Boys & Girls
No Admission Fee
Free Text Book Sets
MOCK Test Series
Special Concession
Govt. School Students
Hostelers (Apollo)
LAST DATE OF ADMISSION 22ND APRIL 2019
Form Issue: 03/04/2019
Class Starts: 22/04/2019
Class Timing: 4:30pm-7:40pm
For details please contact : Apollo office Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal - 795001

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com